নিপকোগী ফম মেনশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ নেস্নেল আইদেন্তিটি প্রোটেক্সন কাউন্সিল (নিপকো) গী স্পিসিয়েল ইগজিক্যুটিব মীফম অমা ঙসি পাংথোক্তুনা হান্নদগী হাংদুনা লাকপা ফমশিং মেনশিনখ্রে। অসিগী মীফম পাংথোক্লবা মতুং মেনশিনখ্রবা ফমশিংদগী ফাইনান্স সেক্রেটরিদা নিংথৌজম গোপেন, এসিসতেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা সলাম দেবেন, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা থোকচোম ভক্তরাজ, সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিদা সিন্থাঙম্বা লাইশ্রম, এসিসতেন্ট সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিদা য়ুমখায়বম বিজান্দো, ওফিস সেক্রেটরিদা নোংথোম্বম কাপিলচন্দ্র, ইগজিক্যুটিব মেম্বরদা নিংথৌজম মনি, রোসন থোকচোম অমদি কোন্সম ইবোমচানি। ঙসিগী মীফম অদু এদভাইজর সুনিল করাম, প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎ, ভাইস প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্র চীংখামনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাংথোকখি হায়রি।

মহুৎ শিল্লম্বা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ বোসেমনা লৌদুনা চখরিবা ক্লাট টেনগী পরিক্ষ্যা অসিদা ঙসি সোসিএল সাইন্স থোকপা নুমিত্তা থৌবাল লৈশাংথেম থৌদাম হায় স্কুল এগজাম সেন্টরদা মহুৎ শিন্দুনা পরিক্ষ্য থাবা লাকপা মহৈরোয় অহুম থৌবাল পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওইশিং চিরাই ময়াই লৈকায়দগী চেসম মুস্তাকিম, হেঙ্গুন অৱাং লৈকায়দগী চেসম সনাথোইবা অমসুং পুসম সহাব্বুদিননি হায়রি।

GAS NEWS

K & K INDANE,
Tera bazar
Bk: **uptodate**
20 days gap from last delivery
Gas booking counter open at Tera Bazar office
(8.00 a.m to 12 noon.)
Uripok, Thangmeiband, Langol
(**9362663937**)
Sagolband & Surrounding
(8627912279, 93667227636, 9089519886)
Langjing & Patsoi
(**9366474013**)
Konthoujam A/C, Lamsang A/C (
9863201839,
6009291975)
For Inquary & others
(8258019383,

IMPHAL LPG SERVICE
Bk: **Uptodate**
New contanct office no. 6009392991, 9362654114,03853560556
Time 8.30 to 12.30
Those who haven't receive send to Whatsapp application no. 9863624773 therefrom no. 1 also available 19 kg and 5kg.
Please don't use other no except the notified one. Those deactivated one summit Aadhaar and KYC form for activation the view of the covid-19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For Whatsapp booking type <REFILL>LPG IN no. e.g. 700000xxx 16 digital.
Send to 7588888824
2. For online distributors send payment use <indameoil one APP> it is applicable for all of IOCL envourage online payment please prepare document i.e.Asdhar accompanied with phone No. and voter ID . For ujwala connection Contaci Imphal LPF office. for Ujjawala connection.

KHUMBONG INDANE
Bk/ Upto:**13/02/23**
OFFICE NO. 9774068549
Home Delivery Contact No. 8974511936
whatsapp No 9366981788 (7.30 a.m. to 10.30 a.m.)

হোম গার্ডশিংগী সেনেরিটি লিষ্ট অথুবদা শেন্বা লোয়শিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ মণিপুর হোম গার্ড ইমপ্লোয়ি ৱেলফিয়ার এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হোম গার্ডশিংগী সেনেরিটি লিষ্ট শেন্বা অথুবদা লোয়শিল্লগনি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খংহল্লক্লে।

চহী ৫৯ শুরুক্লবা হোম গার্ড ওর্গনাইজেসন অসি মতম শাংনা এক্ট অমসুং রুলগী মখাদা থবক তৌরক্তুবনা হোম গার্ড পার্সোনেলশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া থোক্তুনা লাকখি। অদুবু চিফ মিনিষ্টরদা এসোসিএসন্না হায়জবদগী মীৎয়েং চংবীদুনা কম্মান্দেন্ট জেনরেল হোম গার্ড কম দি জি পি মণিপুরনা ওর্ডর থোক্তুনা অথুবদা হোম গার্ড পার্সোনেলশিংগী সেনেরিটি লিষ্ট শেন্বা লোয়শিন্নবা খংহল্লকপা লৈখ্রে। অসিগুম্বা হোম গার্ডশিংগী মতম কুইরেবা চয়েৎনবা লোয়শিন্নবা হোৎনবীরকপা অসিগীদমক চিফ মিনিষ্টরবু থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা চয়েৎনবা অসি কোকহন্নবা হোমগী কম্মিস্নার য়াওনা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসেল খুদিংমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চয়েৎনবা লৈরম্বশিং লোয়শিনবগী ফিভম লাক্লবনিনা হোম গার্ড পার্সোনেলশিং বট্টালিয়ন কম্মান্দর অমসুং কম্মান্দরশিংগী মখাদা মথৌ মশক খংনা দ্যুটি তৌন্নরসি। দিস্ত্রিক্ট এস পি শিংগী মীৎয়েং মখাদা অশোয়বা য়াওদনা লৈঙাক্কী থবক খুদিংমক পাংথোকপদা শরুক য়ানবা হোৎনসি। মখা তানা হোম গার্ডকী স্ত্রেঙথ লিশিং ২ লৈগদবগী মনুংদা পর্সোনেল ৯০ ৱাত্তুনা লৈরিবা অসি মেনশিনবগী অয়াবসু লৈঙাক্না পীরে।

মতাং অসিদা কনাগুম্বা খরানা হোম গার্ড পার্সোনেল লৌগদৌরে হায়দুনা চেন চোংবগী ৱাফম এসোসিএসন্না তারে। অদুবু পোষ্টশিং অসি নিয়ম চুম্না হাপ্লক্কদবনি। মসিদা চেল্লুদ্রবসু য়াগনি। পার্সোনেলশিং অসি মতমগা চান্নবা মহৈগী থাক্তা ওপন ওইনা লৌগদবনি। থবক অসিদা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট মশামক য়াওবা লৈতে। য়াওনবা খনবসু লৈতে। পুকচেল শেংনা থবক পাংথোকসি। হোম গার্ড পার্সোনেলশিং পে হেনগৎপদগী হৌরগা ৱেলফিয়ার প্রোগ্রামশিং পায়খৎপদা সুপ্রিম কোর্টতগী হৌরগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেস ময়াম অমা থেংনরবা মতুং ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌরকপনি। থবকশিং অসিদা অশেংবা খংবা ঙম্বা অমদি ইশাদা হংনিংবা ৱাফম লৈবশিং মথং থা এপ্রিল ১৬ কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফালগী জি এম হোলদা হোম গার্ড পার্সোনেলশিংগী স্পিসিয়েল জি বি মীফম অমা পাংথোকপা অসিদা ময়াম শরুক য়াদুনা খংনবা হোৎনবীয়ু মীফমদা য়াওদবশিংগী ৱাকৎ এসোসিএসন্না তাবা তৌরোই হায়রি।

গুরু খুমুকচম কামিনি বাবু এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ অসামগী কছার দিস্ত্রিক্কী মনুং চনবা লম্মাগ্রামগী বামোন বান্দবতা ঙসি পাংথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা গুরু পুং য়ৈবা খুমুকচম কামিনি বাবু সিংহ মেমোরিয়েল এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অসি গুরু পুং য়ৈবা খুমুকচম কামিনি বাবু সিংহ মেমোরিয়েল ট্রষ্ট কছার দিস্ত্রিক্না শিন্দুনা পাংথোকখিবনি। থৌরম অদুদা কছার দিস্ত্রিক্কী বাম মনুং খুলদগী পুং য়ৈবা ওজা কোংখাম নিলমনিদা এৱার্দ খুৎশিন্নখি। এৱার্দ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা অসাম য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেড প্রোফেসার ডা ঐচ নোনিকুমার অসামগী এদিস্নেল চিফ ইঞ্জিনিয়ার আর কে গোপালসনা অমদি ট্রষ্টকী চিয়ারমেন খুমুকচম কান্তা বিহারিনা অথোইবা মীথুং, অখন্নবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইখি।

এৱার্দ অসি হৌজিক্কী মতম অসিদা লৈজরিবা সঙ্কির্তন অমদি পুং য়ৈবশিংদা অচৌবা ইহৌ অমা শাগৎপগা লোয়ননা মণিপুরী কলচর ফজবা মওংদা য়োকখৎনবা পান্দমদা এৱার্দ অসি পীবনি হায়না ট্রষ্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখি।

থৌরম অসি চহী ৪২ গী মমাংদা তাইবং থাদোকখ্রবা খুমুকচম কামিনি বাবু লৈখিদবা নুমিৎ অসিদা মহাকপু নীংশিংবা ওইনা ট্রষ্টনা ওজা অসিগী ছাত্রশিংগী মরক্তগী খনগৎতুনা অহানবা ওইনা পুং য়ৈবা ওজা কোংখাম নিলমনিদা এৱার্দ অসি খুৎশিন্নবনি হায়খি।

মপুং ফাবা কলেজ ওইহনবদা শৌগৎপীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ গভর্নিং বোডি পোল ষ্টার কলেজ কী কনভেনর কোন্থৌজম মনিন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হীয়াংলম ৱাবগাইদা লৈরিবা পোল ষ্টার কলেজ অসি মপুং ফাবা কলেজ অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মরি লৈন্নবশিংনা শৌগৎপীয়ু হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হৌজিক লৈরিবা কলেজ অসিগী গভর্নিং বোডি অসি ইন্তরিয়ম বোডিনি। কলেজ অসি হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা হান্নগী জি বি পুরস্বশিংনা ইন্তরিয়ম জি বি অসিদা থা ৬ কী মতম পীদুনা থবক শিন্নখিবনি। হায়রিবা ইন্তরিয়ম জি বি অসি গী মতম মমাং চহী ২০২২ গী এপ্রিল থাদা লোয়খ্রে। অদুবু হৌজিক ফাওবা থবক পুদুনা কলেজকী ষ্টাফ অমদি নন টিচিং ষ্টাফ লৌবদা খুৎচাও থাদুনা লৈরে। হায়রিবা ইন্তরিয়ম জি বি অসিনা বোর্ডকী অয়াবা য়াওদনা লৌখিবা ষ্টাফশিং অমত্তা চৎনবা য়ারোই হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ই গভর্নান্স এৱার্দ

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ মণিপুরগী ই ওফিসনা লৈবাক অসিগী লেমজনিঙাই ওইরবা ই গভর্নান্স এৱার্দ ২০২২ ফংলে। এৱার্দ অসি ঙসি ন্যু দিল্লিগী টেলি টেক্নোলোজিকেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোকখি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা এৱার্দ অসি ফংবা মণিপুরনা অহানবা ওইরি। এৱার্দ অদু মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা ডাইরেক্তর এন দেবেন জোইন্ট ডাইরেক্তর গুরুময়ুম রোবর্ট শর্ম্মা, ইনফোর্মেটিক ওফিসার হেরোজিৎ সেঞ্জম, সেনিয়ার কন্সলটেন্ট ই মিসন টিম, এন জি দিপা না লৌখি। টিম অদু এন আই সি গী এস আই ও এন বিনোদ অমদি টেক্নিকেল গোপাল কৃষ্ণনা লুচিংখি।

ইলেক্সন থিংজিন্দুনা থম্বা মরম চাদে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ সেকমাইজিন গ্রাম পঞ্চায়ট লেবেল মল্টিপর্পস কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদকী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিব য়ুনিয়নগী ইলেক্সন তৌনবগীদমক্তা য়ুনিয়নগী চিফ ইগজিক্যুটিব ওফিসারশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা এ ফোর্ম দিলিগেট মশানা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবা ওর্ডর চৎনহন্দনা তৌনিং তৌনিংবা থবক তৌদুনা লৈরিবা অসি তৌবীগনু।

মণিপুর এপেক্স মার্কেটিংগী ইলেক্সনসু মমাং চহী ২০২২ গী নবেম্বর ৩০ দা পাংথোক্লবা সক্রুটিনিগী থৌরাং ফাওবা লোয়দুনা ইলেক্সন পাংথোক্কদবা পুং খরাদা ঙায়রবা মতমদা অথিংবা লৈরে হায়দুনা ঙসি ফাওবা নর্মাশিন্দুনা থল্লিবা অসি মরম চাদে। মসিদা মীওই খরানা কেস তৌশিন্দুনা ইলেক্সন পাংথোকপা য়াহনদ্রিবা অসি পুম্নমক্কী মাংজনি। অথুবদা মীখল পাংথোকপা য়ানবা শিনবীয়ু হায়রি।

ৱাটর টেঙ্কি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ আই জি এ আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা খুগা বট্টালিয়ন্না শিন্দুনা সিংহাৎ সব দিবিজনগী খুঞ্জাশিংদা ঈশিং হাপ্পবা টেঙ্কিশিং খুৎশিন্নখ্রে। এ আর গী খোংথাং অসি ঈশিং ফংদবগী অৱাবা খুঞ্জাশিংনা মায়োক্নরিবা অদু য়েংলগা ভিল্লেজ অথোরিটিগা তান্নরবা মতুং টেঙ্কিশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। এ আর না মতেং পাংলকপা অদু খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী অপেনবা ফোংলকখি।

উমং কোকথোক্লিবশিং লৈঙাক্না চৈরাক পীবদা শৌগৎলি

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ ওল মণিপুর এগ্রিকলচর ৱার্কর য়ুনিয়নগী চেরোল অমদা ষ্টেট অসিদা উমং কোকথোক্লিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না অহকপা চৈরাক পীবদা য়ুনিয়ন অসিনা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়রি।

ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট রিপোর্ট ২০২১ দা মণিপুরী অপুনবা লম স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ রোমগী মনুংদা উমংগী শরুক স্কৱার কিলোমিটর ১৬৫৯৮ কী মনুংদা ঙসি উমংগী শরুক স্কৱার কিলোমিটর ২৪৯ মাংখ্রে। মসি অথুবদা শেঞ্জাও তানশিনবা পাম্বা কাংলুপ খরানা উমং কোকথোক্লগা পোপি থাবা হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগদি মণিপুরগী উমং মাংথরকপগী চাং অসি ইন্দিয়ান ষ্টেট ওফ ফোরেষ্টনা পীরিবা রিপোর্ট অসিদগী শরুক অনিদগী অহুম ফাওবা হেনগৎনা মাংলম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। মরম অসিনা পোপি থাবা থিংনবা দ্রোন শিজিন্নবগী মথক্তা হেলিকোপ্তর শিজিন্নদুনা খরা হেন্না মনুং হঞ্জিনবা চীংমাইশিংদা পোপি থাবা য়েংশিল্লবদি ৱার ওন দ্রগ হেন্না মায়পাক্কনি।

লমদম অসিদা ইথৈ লৌখোং মরাং কায়দবনা লৌফমশিংদা খারিপ লৌরোক খরদা ওইরবসু লোকপা য়ানবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎতুনা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৈঙাক্না পায়খৎপীয়ু হায়রি।

আর কে রঞ্জন্না রেলৱে মিনিষ্টরদা বজেদ হেন্না হাপ্পীনবা তক্লখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফিয়ার্স এন্দ ইডুকেসন ডা রাজকুমার রঞ্জনগী মায়কৈদগী য়ুনিয়ন রেলৱে মিনিষ্টর অসৱিনি বাইসনোদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা রেলৱেগী মতিক চাবা শেনফম হাপ্পীনবা তক্লখ্রে হায়রি।

রেলৱে মিনিস্ত্রিদা ইবা চেরোল অমদা মিনিষ্টর রঞ্জন্না হন্দক্তা য়ুনিয়ন বজেটতা রেলৱেগী ওইনা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২.৪০ হাপখিবা ইন্টরনেস্নেল থাক্কী রেল ষ্টেসন ৫৯ শেমগৎনবা থৌরাংশিং অদু থাগৎপা ফোঙখি। অদুবু অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা খন্নরকপা মতমদা নীংথিনা নৈনগদবা হাউস নীংথিনা ফম্বা ঙমদবা অদু য়েংলগা অইবা চেরোল পীদুনা অৱাংনোংপোক্কী ওইনা মতিক চাবা রেলৱেগী শেনফম হাপ্পীনবা তকশিনখিবনি।

মহাক্না মণিপুরদা রেলৱে কোর্স ফেক্টরি পায়খৎপগী মতম চপ চারে। মসিনা খা নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিং ফাওবা শম্নখিবদা হেন্না মতেং ওইগনি। মহাক্না মখা তারদুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদসু অনৌবা মতমগী বন্দে ভারট ত্রেনগী খুদোংচাবা অথুবদা ফংহল্লকনি হায়বগী থাজবসু ফোঙখি।

মিনিষ্টর রঞ্জনগী রেলৱে মিনিস্ত্রিদা পীবা চেরোল অদুদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা রেলৱেগী নেটৱার্ক পাকথোক চাওথোক হন্নবা হোৎনরক্লিবা কয়া অদুবু থাগৎপসু ফোঙদোকখি। মহাক্না মমতা বেনরজিনা রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা পার্লিয়ামেন্টা মণিপুরদা রেলৱে কোর্স ফেক্টরি লিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু নৌহৌননা নীংশিংলদুনা অসিগুম্বা মখলগী ফেক্টরি মণিপুরদা থম্বা অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না চান্নবা ওইগনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

রেদ আর্মি অপরাইজিং...

লমায় ১ গী মখা

মমাংদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা তৌরম্বগুম হৌজিক লৈরিবা এন দি এ লৈঙাক অসিনসু লমদম অসিগী নীংতম ইহৌ তৌরিবা য়াওল্লুপশিংদা লমদম অসিদা চাওখৎপা ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক ভাইওলেন্স থাদোকউ, চিছ টোল্ক তৌসি হায়রি।

ইন্দিয়াগী থৌওং অসিদা প্রিপাক্লা হংনিংলিবদি মখোয়না পিছ ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা য়াম্না পাম্বা কংলৈ মীয়ামবুনা মদুগী মায়োক্তা লৈবা মীহাৎ মীপুন অমদি ই নাই তাবদা য়াম্না খোইদাজবা ফুরুপ ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনবা অসিনি। ইন্দো কংলৈ মুক্লবা অসিগী হৌরকফমদি ইন্দিয়ানা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা কংলৈ মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা নমদুনা ইন্দিয়াদা কংলৈপাক তিনশিনখিবা অদুদগীনি। মতম অদুদগী লমদম অসিগী মীয়াম লোয়লম মখাদা থমদুনা মীনাই নৈথাংগী পুন্সিরোল অমদা থম্লকপদগী কংলৈপাক অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈবাক্কী মুক্লবা অসি থোরকখিবনি হায়বসি ইন্দিয়ানা কাওরোইদবনি। কংলৈ মীয়ামদি মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা ইন্দিয়াবু ইরমদমগী লৈমায়দগী তকথোক্লবা হোৎনবা খক্তুনি। মসিদা ইন্দিয়ানা খংগদবদি কংলৈ মীয়াম্না ইন্দিয়াগী লম শম্না মফে অমা ফাওবা পাম্বা লৈতে। ইন্দিয়াগী মখুত্তগী কংলৈপাক্কী নীংতম্বা কন্নাব হোৎনবা খক্তুনি।

লমদম অসিদা নীং তম্বা হঞ্জিন্নবগী ইহৌ নত্রগা মখোয়গী মথক্তা লাল লৌবা লৈতে হায়না ইন্দিয়ানা হায়জরবসু অন লোফুল এক্তিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্ট ১৯৬৭ গী মখাদা ৱেসিয়া লমদমগী নীংতম য়াওল্লুপশিংবু আউট লো ওর্গনাইজেসননি হায়না লাওথোক্লিবা অসিনা লমদম অসিদা নীংতম ইহৌ লৈ হায়বদু ইন্দিয়ানা মথমোয় শেংলবদি মালেমগী মাংদা ময়েক শেংনা লাওগদবনি। অদুবু ইন্দিয়ানা লমদম অসিগী য়াওল্লোইশিংবু টেরোরিষ্ট, এক্সত্রিমিষ্টনি হায়জরবসু য়ু এন হ্যুমেন রাইট কম্মিটিনা লমদম অসিদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা অসি পোলিটিকেল ওইবা মওংদা ৱাখৈবা পুরক্লবা হায়খিবা অসিনা লমদম অসিদা হৌরিবা য়াওল ইহৌ অসি মালেমগী ৱায়েল কাংলোন্না য়াবা পোলিটিকেল মুভমেন্টনি হায়বদু ময়েক শেংহল্লে। ইন্দিয়াবু মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্কি হায়না লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনা তত্তনা লাওজরবসু থবক্তি দেমোক্রেসিগী মচৎ অমত্তা য়াওদে। অপুনবা মীওই বিল্লিয়ন ১.৪ রোম লৈবা ইন্দিয়াগী মীশিংগী চাদা ২১.৯ লোম ঙসি লায়রবগী পন্থে মখাদা লৈ। চাদা ২৬ কী চাং মীওই মিলিয়ন ৩৫০ রোম ইবা পাবা ঙমদনা লৈরি। লোয়ননা পারকেপিতা জি দিপি দোল্লর লিশিং ২ য়ৌহনবা ঙমদ্রি... *মথং মথং*